# অথৌবা ১৩গী মঙানি লৈহুলদা শরুক য়াখিবশিংবু নীংশিং থৌরম কম্মিটিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :** অথৌবা ১৩ নীংশিং থৌরম কম্মিটিগী কনভিনর লাইশ্রম নিংথৌনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হৌখিবা দিসেম্বর ৪, ২০২৩গী অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লৈথাও অমসুং মোলথাম খুল অনীগী মরক্তা তমথীবা মীহাৎতা হাত্তোকপীখ্রবা অথৌবা ১৩গী মঙানি লৈহুল থৌরম ঙরাং দিসেম্বর ১০গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা পাঙথোকচখিবা অদুদা লমদম অসিগী লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াবীখিবগীদমক শীন-লাঙলিবা কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীয়াম অসিবু মফম অসি য়ৌনা পুবীরকখিবা গাড়ী মপুশিং, গাড়ীগী এসোসিএসন পূন্নমক, অচা-অথক, থক্লবা ঈশিংগী মতেং পাঙবীখিবা, খুলগী অমদি লৈকায়গী ভোলন্টিয়রশিং, ইরমদমগীদমক চাউরবা থৌদাং লৌবীখিবা লূপশিংগী লুচিংবশিং, থৌমীশিং পূন্নমকপু কম্মিটিগী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মায়কৈ খূদিংগী লাকপীখিবা ইমা-ইবেল, অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইচে-ইনেম, মহৈরোয়শিং, নহারোলশিং, শান্নরোইশিং, তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপকী লুচিংবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌরম অসিবু প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহনবীখিবা অদুগীদমক ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী চখোক-চৎশিন খুদোংচানবগীদমক হেন্না চাউরবা থৌদাং লৌবীখিবা ইরমদমগী অচঙবা নহারোল ভোলুন্টিয়র পূন্নমক, লৈ কৎপদা খুদোংচানবা মীয়াম্বু শেন্নখিবা নিঙোল-পিবা পূন্নমকপুসু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নজবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। থৌরম অসি পাঙথোকপদা মতেং ওইনবা শেলগী মতেং পীবীরকখিবশিং, অতৈ হীরম কয়াদা তেংবাঙবীরকখিবা খূদিংমকপু অথৌবা ১৩ নীংশিং থৌরম কম্মিটিনা নোল্লুকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ‘হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্ট মওং-মরিল তাহন্দ্রে’

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :** গভর্ণিং বোদি পোল ষ্টার কোলেজগী ফোর্মর কনভিনর কোন্থৌজম মনিহারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মণিপুরদা হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্ট মওং-মরিল তাহন্দ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা শেংলবা মহৈ লোয়শঙ অমা ওইরিবা পোল ষ্টার কোলেজগী মরুওইবা থবক থৌরমশিং অখন্নবা লন্নাই মীওই খরগী অচৌবা শেংদাল লম্বী ওইনা থবক চথরক্লে। থৌওং অসি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবীদুনা একাদেমীক এটমোস্ফিয়রদা অকায়বা থোক্তনবসু হোৎনবীয়ু হায়রি।

আইরন গোদ্রেজ মনুংদা হাপ্পুনা থম্বা কোলেজ অসিগী মরুওইবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওনা চে-চাং খরা হৌখিবা এপ্রিল ১৭তা লৈকায়গী মীওইশিংনা ঙা ফানবগীদমক সেকমাই তুরেলদা লোংউপ তাল্লুবদা থেংনরকখিবা লৈখ্রে। হিয়াংলম পি এসকী টিমনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু লৌখৎলগা মখোয়গী কষ্টদিদা থমখিবগী মতাংদা হৌখিবা এপ্রিল ২০দা অমুক হন্না কমপ্লেন্ট তৌখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা মখা তাবা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা লৈরক্লি।

কোলেজ অসিগী মরু ওইবা ওদিটেদ একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট, য়ু বি আই (পি এন বি) ককচিং ব্রাঞ্চতা হাংবা একাউন্টসিবুনা ওপরেট তৌহন্দ্রগা অতোপ্পা বেঙ্কতা হাংলিবা একাউন্টতা শেল-থুম থমজিন্দুনা শীজিন্নরিবা অসি কোলেজগী ফন্দিংশিং লান্না শীজিন্নবা য়ানবগী থৌরাংনি। পূন্নমকশিং অসি কুপ্না য়েংশিনবীরগা মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্টতা অপনবা পীবীগনু হায়রি।

## কলভর্ট মেনশিনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :** লাংজিং অচৌবদা লৈবা সী আর পি এফ গ্রুপ সেন্টরগী কম্মান্দেন্ট এন কুঞ্জরানি, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এম সোমোরানি অমদি এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট পি ঐচ রানিবালাগা লোয়ননা পাৎশোই এ সীগী মনুং চনবা লাংজিং অচৌবগী এরিয়া মনুংদা লৈবা তৌথোক্তুনা লৈরিবা কলভর্ট অমদি নাক-য়েত্তা লৈবা অকুৎপশিং মেনশিনবগী থবক চথখ্রে। লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসিগী ফীভমসিদা এ সী অসিগী এম এল এ অমদি লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

## থোক্লিবা ৱাথোকশিং ৱারোইশিন পুরক্নবগী থৌদাং লৌমিন্নরসি : হেরিকোন

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :** ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা এস ঐচ রিশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মতম অমগী নুপীলালদা ইমাশিংনা অমত্তা ওইনা ফূরুপ-কাঙলুপ খায়দনা লমদম অসি কনবদা লৌরমখিবা থৌদাংশিং অদু ঐখোয়না নীংশিংমিন্নরগা হৌজিক লৈবাকসিদা থোক্লিবা ৱাথোক-লান্থোক ময়াম অসি তাশিন-খোমজিন্দুনা ৱারোইশিন পুরক্নবগী থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়রি।

চেরোল অসিনা ফোঙদোরকপদা, হৌখ্রবা পুৱারীগী লুরবা তাঙ্কক কয়াদা লমদম অসিগী ইমাশিংনা লৌখিবা থৌদাং কয়াগী মনুংদা কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২গী নুপীলাল, পুৱারীগী লৈমায়দা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা ঙসি ফাওবা নীংশিংনরি। ইশাগী পোত্থোক লৈনা লৈনা খূৎশেমগী চাক তাঙবা থোকহন্দুনা লমদমসিগী মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নহনখি। খূৎশেমগী চাক তাঙবা অদুনা খ্বাইদগী শোকহনখিবসি লমদমসিগী ইমা-ইবেলশিংনি।

মশাগীতা খনবা শেন্দোং তানবা ময়াং লল্লোনবশিংনা লমদমসিগী চেঙশিং মপান্দা থাদোকখিদুনা চেঙ ৱানবা ফংহল্লক্তবদগী লমদমসিগী নুপী চা কয়ানা হৌরক্তুনা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট অমদি মহাকপু ঙাক্লিবা ওফিসলশিং য়াওনা কোয়শিন্দুনা থমখি। তুংদা মুক্নরক্তুনা নুপী ২১ অমদি ইন্দিয়ন ওফিসর অমা য়াওনা অসাম রাইফলসকী ফম্লাইবা তরেৎ অশোক-অপন নংখি।

মখা তারকপদা ময়াংশিংনা চলাইবা রাইস মিলশিং থিংজিনখি। মখোয়দা য়োন্নবা ফৌ পুরকপশিং নুপীশিংনা লমখাংদা থৎতুনা য়ৌহনখিদে। ঈহৌ হৌরিঙৈ মুক্নবা অমদা ১৯৪০গী জনুৱারি ১৪দসু নুপী ৪০গা নুপা খরগা অশোক-অপন নংখি। কায়নথংদা নুপীশিংসু উপায় লৈরক্তবনা টেম পায়দুনা শেম-শারকখি। কোলোনিয়ল মাষ্টরশিংদা কাগদবা টেক্স কয়া পীদবা হায়না ৱারেপ লৌখি। অসিগুম্বা দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯গী নুপীলালদগী ঐখোয়না তমজগদবনি। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেটিক কন্ট্রিনি হায়জরিবা ইন্দিয়াদা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা নমদুনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তীনখি। মদুগী মতুং মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচরবা মতুং অসিদা মায়থোং য়াম্বা প্রোব্লেম কয়ানা পীক থল্লক্তুনা চৈথেং কয়া পীরক্লি। ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অসিসু ঐখোয়গী লৈঙাক অসিনা মওং-মরিল তানা লৈতবদগী থোরকপনি। মরম অদুনা ৱাথোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্বনা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরক্লি।




HL-B/8419/12 Dec.


## ক্যুইজ কম্পিটিসন

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী মখাদা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংনা শীন্দুনা ইন্টর কোলেজ ক্যুইজ কম্পিটিসন অমা ঙসি কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। কম্পিটিসন অদুদা তোঙান-তোঙানবা কোলেজ অহুমগী মহৈরোয়শিংনা টিম মঙা থোক্না খায়দোক্লগা শরুক য়াখি।

# কোক্তা লুপৌ লৈরকপা মতমদা

## ঐখোয়না তৌবা য়াবা খরগী মতাংদা খঙমিন্নসি

লৌশিং পুক্কে

নীংথম থা চঙলকপা মতমদা মীপুম খূদিংমক্কী উনসাগী মওং মতৌ মান্নদবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মখলগী নুংঙাইতবশিং ঐখোয়না য়াম্না তোয়না থেংনরি। নীংথম থা চঙলকপা মতমদা ঐখোয়গী উনসা কা হেন্না কংশিল্লকপদগী চেখায়বা অমদি হকচাংদা থেংনবা নুংঙাইতবা থৌওং কয়াগী মতাংদা মমাঙদা ফোঙখিবা তাঙ্ককশিংদা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নখ্রে।



উনসা কংবগী নুংঙাইতবা অসি মখল য়াম্না য়াম্মী। মদুগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবা অমা হায়রগদি কোক্তা লুপৌ থাংবা অসিসু অমনি। কোক্তা লুপৌ লৈরকপা মতমদা ঐখোয়দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা মীয়াম তিনবা মফমদা ফি নান্না শেৎলগা চৎলবসু শেৎলিবা ফুরিৎকী মথক্তা লুপৌ তাশিল্লক্লবদি মদু মীয়াম মমাংদা ইকাইনিঙাইনি। মরম অদুনা মী অয়াম্বা লুপৌ লৈহন্দনবা মখল মখা কয়াগী শেম্পু অমদি থাউনচিংবা শিজিন্নে।

কোক্তা লুপৌ কা হেন্না লৈরকপা মতমদা কোক হক্কৎচবগী থৌওং অসিসু য়াম্না থোকই। কোক হক্কৎচৈ হায়দুনা হোৎলুবা মতমদা লুপৌ অমুক্কা হেন্না থোরক্নবা অচৌবা মরম অমা ওই। মীয়াম তিনবা মফমদা নৎত্রগা নুংশা কা হেন্না শারকপা মতমদা লুপৌনা মরম ওইরগা কোক হক্কৎচহনবা অসি য়াম্না তোয়না থোকই। হক্কৎচরকপা মতমদা হোৎপা হায়বসি অদুম্মক নুংঙাই। অদুবু লুপৌনা মরম ওইরগা হক্কৎচরকপা মতমদা হোৎলুরবদি ঐখোয়গী শমগী ফিভমদা অথিবা মওং অমা ওইহল্লক্তবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয়না নীংথমথা চংলকপা মতমদা কোক্তা লুপৌ লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। অদুমওইনমক নীংথমথা চঙলকপা মতমদা কা হেন্না উনসা কংবা মীওইশিংগী ওইনদি অদুম্মক লুপৌ অসি লৈরকই। লুপৌ অসি ঐখোয়গী উনসাগী শরুক অমনি। অদুবু মসি ঐখোয়না অমোৎপা ওইনা লৌনরি।

হায়রিবশিং অদু নত্তবা ঐখোয়না য়াম্না তোয়না থেংনবা তৌবতবু কা হেন্না খঞ্জিল্লুদবা নুংঙাইতবা অমা হায়রগদি কোকতা লূপৌ থাংবা অসিনি। কোকতা লূপৌ থাংবনা মরম ওইরগা কা হেন্না হাক্কৎচবা অমদি হাক্কৎচবা অদুবু ফনবগীদমক হোৎলুরবা মতমদা অঙৌ-অঙৌবা মপাকশিং কেল্লকপগী থৌদোক খূদিংমক্লা থেংনরল্লগনি। মী য়াম্না তীনবা তরু-তনানবা থৌদোকশিং শরুক য়াবা মতমদা লূপৌ থাংবা মীওই অমনা মশা মতোমতা নুংঙাইজদবা কয়া শোয়দনমক্কী ফাওরমগনি। মরমদি মফি-মরোল অমদি হকচাং নান্না চৎলবসু লূপৌ লৈবা মীওই অমগী ওইনদি মহাক্লা লিৎলিবা ফুরিৎ অদুগী মথক্তা অঙৌ-অঙৌবা মকুপশিং শোয়দনা পকপা মীয়াম্না উগনি। মদু থোক্তনবা হোৎনবদা লূপৌ লৈবা মীওইশিংনা অতাঙবা মখলগী সম্পুশিং অমদি হিদাক লৈদুনা শীজিন্নরি। কৈথেলদা মরাং কায়না য়োল্লিবা হিদাকশিং অসি শীজিন্নবনা লূপৌ ফহনবা ঙম্মী হায়বসি অয়াম্বনা য়ানরবা ৱাফম অমনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা লৈজদবা মীওই খরগী ওইনদি অতাঙবা মখলগী সম্পুশিং নৎত্রগা হিদাক লৈদুনা শীজিন্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মদুনা মরম ওইরগা ঐখোয়না যুমদা শেমজবা লূপৌ ফহনবা ঙম্বা মচল অমগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নসি।

অয়ুর্বেদ এক্সপার্ট ডা. দিক্সা ভাবসর সভালিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না লূপৌ অসি মালাসেজিয়া গ্লোবোসা কৌবা ফঙ্গস মখল অমনা থোকহনবনি। মসিনা ঐখোয়গী শমখোঙদগী থোক্লকপা থাউশিং অদুবু মাঙহনবগা লোয়ননা উনসাদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লি। মদুনা তপ্পা তপ্পা শমখোঙগী অকোয়বদা লৈরিবা উনসাগী শরুকশিং কংশিল্লকপগা লোয়ননা হাক্কৎচবা হৌরক্নি। মসিদগী ঙাকথোক্নবা অচম্বা পান্বৈশিংগী মনুংদা অরাইবা অমা হায়রগদি ঐখোয়না যুমদা শেম্বা লূপৌ ফহনবা ঙম্বা মচল অমা শীজিন্নবনি। হায়রিবা মচল অসি চয়োল অমদা অনীরক শীজিন্নগদবনি। হাপ্তা অহুম লেপ্তুনা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী হেন্না কান্নগনি। লূপৌ ফহনবা ঙম্বা মচল অসি শেম্বদা চঙলিবশিং অদুদি শঙ্গোম মপাল চামচ অমা, কারি লিফ মনা ৫দগী ৭ ফাওবা (তকখায়বা ওইগদবা) অমদি ইঞ্চি অনীরোম শাংবা শিং (তকখায়বা ওইগদবা) হায়রিবা মচল অহুম অসি পুন্না য়ানশিন্নরবা মতুং অফবা পাত্র অমদা পুং ১.৩০ রোম থমগদবনি। মদুগী মতুং ঐখোয়না শমখোঙ য়ৌনবা হায়রিবা মচল অসি তৈগদবনি। মচল অসি তৈরবা মতুং মিনিট ৩০ লৈরগা অয়ুর্বেদিক সম্পু অমনা অফবা ঈশিং শীজিন্নরগা য়াম্না শেংনা চামথোক্কদবনি। হায়রিবা থৌওং অসি চাং নাইনা পাঙথোকপা ঙল্লবদি শোয়দনমক্কী লূপৌ ফহনবা ঙমগনি।

ঐখোয়না মচল অসি শেম্নবা হোৎনবদা ফ্রেস ওইবা কারি লিফ অমসুং শিং ফংদ্রবদি কৈথেলদা থোক্লিবা কারি লিফ পাউদর অমদি শিংগী পাউদরশিং শীজিন্নরবসু অকায়বা লৈতে। যুমদা ইরায় লায়না ফংবা মচাকশিং অসিনা পুনশিল্লগা শেম্বা মচল অসিনা লূপৌ খক্তা নত্তনা শমগী মপাঙ্গল অমদি মশক ফজহনবদসু চাউনা মতেং পাংই। মরমদি মচল অসি শেম্বা মতমদা য়াওরিবা শঙ্গোম মপালদা এন্টি ইমফ্লেমেটরি কয়া য়াওরি। শম্না হায়রবদা মচাক অহুম অসি পুনশিল্লগা শেল্লিবা মচল অসি শমগী ওইনদি নেচরেল কন্দিসনর অমনি হায়রি।

অমরোমদা, লূপৌ কা হেন্না লৈরকপনা কোক্তা হাক্কৎচবা থোকহনবদা নত্তনা শম কেনবগী চাংসু য়াম্না হেলহল্লি। হাক্কৎচবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না শমজেৎ পায়দুনা অকংবা উনসাশিং অদুবু লৌথোক্নবা শমজেৎ শীজিন্নদুনা কন্না হোৎপগী চৎনবী অমা উরি। মদুনা মরম ওইরগা শম কেনবগী চাং হেনগৎহল্লক্লি। শঙ্গোম মপাল, কারি লিফ অমসুং শিংগী অপূনবা মচল অসিনা লূপৌ ফহনবা ঙম্বগী মরুওইবা মরমদি শঙ্গোল মপালদা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওই অমদি মসিনা ঐখোয়গী কোক্তা হৌরিবা শমনা মপাঙ্গল কলহনবদা চাউনা মতেং পাংশিল্লি। কারি লিফতা এন্টি ফঙ্গেল প্রোপর্টিশিং য়াওই। অদুগা শিংদনা এন্টি ইমফ্লেমেটরি, এন্টিসেপ্টিক অমসুং এন্টি বেক্টিরিয়েল প্রোপর্টিশিং য়াওবননি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## [illegible]

[illegible]


[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

| Class | Rate | No. Of Bricks | Amount |
|---|---|---|---|
| 1st Class | 13.80 | 1,500 | 20,700 |
| | | 2,000 | 27,600 |
| 2nd Class | 12.70 | 1,500 | 19,050 |
| | | 2,000 | 24,400 |
| 1st Reject | 12.00 | 1,500 | 18,000 |
| | | 2,000 | 24,000 |
| Jhamat | 11.00 | 1,500 | 16,500 |
| | | 2,000 | 22,000 |
| P.T | 11.00 | 1,500 | 16,500 |
| | | 2,000 | 22,000 |
| 3rd Class | 5.80 | 1,500 | 8,700 |
| | | 2,000 | 11,600 |
| Checktek 1 Load 407 Cantor | | | 4,800 |

Please Cont.: 9612725842/7005134130


## এথলেটিক মীট হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :** ৪৭শুবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী একাদেমীক সেসন ২০২৩-২৪গী এথলেটিক মীট ঙসি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা হৌদোকখ্রে।

স্কুল অদুগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা কেদেট অমনা তুলিহলদগী অশেংবা মৈরা লৌরুরগা এথলেটিক গ্রাউন্দ ফাওদুনা পুরক্লগা কংলা দ্বারগী রামপার্টতা মৈরা চুখৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা কেদেটশিংনা চৎখিবা মাস পাষ্ট অমা এদমিনিষ্ট্রেটর ওফিসরনা রিভিয়ু তৌখি। মহাক্লা কেদেটশিংনা নোল্লুকপগা লোয়ননা মথৌ মশক খঙনা হোৎনবা কনবা মী ওইনবা হায়খি। এথলেটিক মীট অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ১৩দা লোইশিনগনি হায়রি।

HL-P/8431/8 to 22 Dec.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।১২।২০২৩ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৬.২৫ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ২৯ নি পাল্লি, মতুংদি থাশুনি।

**মেষ:** ৱাঙাং অমদি পোরম য়াৎপা হৈত্রদি ইকায় নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংগনি। থিবা হুম্বা কনবনা পল্লম্বা থবক পাঙগনি, লন ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** অঙম্বা লোয়নবা হৈ, অনীংবা পাঙগনি, থাজদবা কান্নবা খরসু ফংগনি, লন চৎপা মহয় য়ানগনি। অদুবু পঙলদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** কল্লক য়েংথিবনা নথৌদা অকায়বা খরা পিরসু নীংবদি পাঙগনি। ইচঙ থৌবগী কান্নবা, মীয়াম্না চানবীবা, নুংঙাইবা ফংজগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, শোক পনবা অমদি পূক্নিং নুংঙাইতবা নংবা য়াই। ঈংথৌ, অনম তানবা, হোয়া ফবা অমত্তা কান্নরোই।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

**সিংহ:** নিংথৌদসু মৈতাল ৱাৎলি হায়দুনি, নচা-ননাইগী ৱা তাবা কান্নগনি। অরুবা তানফমদা লান্দবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংগী- লাংতক্লগনু, মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কন্যা:** নচাক-নরল চাওখৎকনি, মীয়ামগী মতেং পাল্লদি ফংগনি, লাই-গুরুনসু থৌজালবীগনি। নাইতোম থৌ পাঙবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**তুলা:** মীরক্তা চঙলগা হরাওবা, হকচাংসু নুংঙাইবা নুমিৎনি। মুক্নরবা নৎত্রগা হেন্না খূৎ চাউরবা নরল ময়েং তাগনি। তুংগী খনবা ফৈ।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজবগী নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** খোয়রাংবা খরদি লৈ-তপথৌ। নথক থোংবনা লুনা তৌবীগনি, নীংবা মপা চাগনি, অনৌবা থৌরম পাঙহৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**ধনু:** নক্লনা লোয়নবগী মতেং লৌবা কান্নগনি। খন্থ্রগা পাঙবা থবকশিং লায়না পাঙগনি। মীৱা কা হেন্না থাজরদি পোত্থাফম খঙলোই।
লৈশা পাখংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মকর:** অফবা অমদি নুংঙাইবা পাউ তাগনি, খূৎচাউ থানা লন তানবা য়ারনি। মীয়াম্নসু থাগৎনরে, নচা-ননাই হেন্না চাওখৎলনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**কুম্ভ:** নীংবা থুংগনি, ৱাখলসু থোক্কনি, অফবা থবক পাঙহৌরো, অরুবা ৱারেপ লৌবসু কায়ররোই। চিংনরনু মীকোক থোংলনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**মীন:** থৌনা ফুদোকপা মতাং চাগনি, ইমুং-মনুংতা নত্তনা মরুপ-মপাংগী মতেং ফংগনি। ঙাং-শকপা হৈগনি। য়েৎনরদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।


GLOBAL SPOKEN ENGLISH
[illegible]
&
DOT COM COMPUTER

G ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012

BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA

Many Students were certified and eligible for applying Job

Online or Offline Class Available

Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job

ENROLL NOW

Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.

Admission Open

Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)

For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com

HL-B/8117/28 to 26 Jan.

[illegible]
PLANET ACADEMY
KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING
Gateway to future academic career

ADMISSION OPEN for
CONDENSED REVISION COURSE
Class - XII Phy, Chem, Maths, Bio, H/Sc, Eng.
Class - XI Phy, Chem, Maths, Bio, Eng.
COHSEM & CBSE
Classes commencing on 14th Dec. 2023

Class Timing
Morning Shift: 5:00 to 7:30 am
Evenng Shift: 4:00 to 7:30 pm

Special Features:
* Focus & provided foundation for NEET & JEE aspirants
* Vision for topper
* Taught by well subject expert faculties
* Xtra classes for weak students
* Supply of authentic printed study materials
* Regular chapterwise test series
* Analysis of probable Q & A for upcoming final exam 2024
* Special concession for students of relief camps etc.

Van Transport Facility & Seperate Hostel for Boys & Girls available

Limited seats
First come first serve with concession

For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY # 9863002206

HL-B/8428/7